# য়ুএস হাউস স্পিকর পেলোসিনা টাইৱানগী প্রসিদেন্ট উন্নখ্রে, চাইনানা মিলিটরি এক্সর্সাইজ হৌখ্রে



বৈজিং, ওগষ্ট ৩ (এজেন্সী):

বৈজিংনা অশাউবা মীৎয়েংনা য়েংলিবা য়ুএস হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবকী স্পিকর নেন্সি পেলোসিগী টাইৱান খোঙচৎতা মহাক্না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ঈথৎ অসিগী প্রসিদেন্ট সাই ইং-ৱেনগা উন্নখ্রে। পেলোসিনা খোঙচৎ অদুদা টাইৱানগী পার্লিয়ামেন্টবুসু ভিজিট তৌখি। মসিগা লোয়ননা মহাক চহী ২৫ গী মনুংদা ঈথৎ অসিদা চৎপা য়ুএসকী খ্বাইদগী ৱাংবা ওফিসল ওইখ্রে।

বৈজিংনা মশানা লৈঙাকচবা ঈথৎ অসিবু চাইনাদগী তোঙান্না লৈবা লৈবাক অসিগী শরুক অমনি হায়না লৌবগা লোয়ননা নোংমদি মেনলেন্দগা শোয়দনা পুনশিন্নগনি হায়না থাজনরিবনি।

অসিগুম্বা ফিভম অসি লৈবনা পেলোসিবু খোঙচৎ অদুবু পাঙথোকহনবগীদমক্তা বৈজিংনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা ৱার্নিং তৌখ্রে। লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা পেলোসিনা ঈথৎ অদুদা থুংখিবগী পাউখুম ওইনা চাইনানা টাইৱানবু কোয়শিল্লিবা ঈশিংগী শরুক্কী তোঙান তোঙানবা মফম তরুক্তা মিলিটরি এক্সর্সাইজশিং হৌখ্রে।

এক্সর্সাইজশিং অদুদা লোং-রেঞ্জ লাইভ-ফায়র এক্সর্সাইজ য়াওরবা য়াই অমসুং মদু নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবা পাঙথোক্লবা য়াই। মেনুবরশিং অদু কুমজা ১৯৯৫ দগী টাইৱান ষ্ট্রেটকী ক্রাইসিস হৌখিবদগী বৈজিংনা থেংখাং কয়াদা মিলিটরি মসল উৎতুনা লাকখিবদা খ্বাইদগী চাওবনি হায়না লৌনরি। ১৯৯৫ দা ষ্ট্রেট অদুগী ক্রাইসিস হৌখিবদা চাইনানা টাইৱান মথক লান্না মিসাইল কয়া কাপখি অমসুং য়ুএসনা এয়রক্রাফট করিয়র গ্রুপ অনী ষ্ট্রেট অদু তন্না থাখি।

য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অথেংবদা চাইনাদা লৈবা য়ুএস এম্বেসেদর নিকোলাস বর্ন্সপু চাইনিস ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা কৌখৎখি অমসুং পেলোসিগী খোঙচৎ অদু ১-চাইনা প্রিন্সিপল ভাইওলেট তৌবা য়াম্না শাথীবা মওংগী কায়হৌবগী থৌওংনি হায়না প্রোটেষ্ট তৌখি।

টাইপৈদা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না চাইনানা লৈবাকপোকপা নুমিৎ খক্তদা টাইৱানগী এয়র দিফেন্স আইদেন্টিফিকেসন জোনদা প্লেন ২১ থাজিল্লকখি।

অমরোমদা, য়ুএস হাউস স্পিকর নেন্সি পেলোসিগী খোঙচৎ অদুগী পাউখুম ওইনা লাইফ ফায়র দ্রিল পাঙথোক্লবা ৱারেপ লৌরক্লিবদুবু ঈথৎ অসিগী গভর্ণমেন্টনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে। অসিগুম্বা দ্রিলশিং অসি টাইৱানগী টেরিটরিএল স্পেসতা লান্দাবনি অমসুং মসি টাইৱানগী এয়র অমসুং সী স্পেস ব্লোকেদ তৌবগসু মান্নগনি হায়না মিলিটরিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

দ্রিলশিং অদুবু কন্না য়ানিংদবা উৎলদুনা প্রসিদেন্ট সাই ইং-ৱেননা হায়খি, মদুদি চাইনাগী মিলিটরি দ্রিলশিং অদু মথৌ তাদবা রিএক্সননি অমসুং টাইপৈনা টাইৱান ষ্ট্রেটকী ষ্টেটস কো কায়হন্দনা থম্লবা হোৎনগনি।

# শ্রী লঙ্কাগী প্রসিদেন্টনা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা পার্টি পুন্নমক্কী ওইবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবা আপিল তৌখ্রে

কলম্বো, ওগষ্ট ৩ (এজেন্সী):

শ্রী লঙ্কাবু হৌজিক মায়োক্লরিবা শাথিরবা শেল থুমগী ক্রাইসিস অদুদগী কন্নবগী মথৌ তাবা খোঙথাংশিং লৌখৎপা ঙমগদবা পার্টি পুন্নমক্কী ওইবা গভর্ণমেন্ট অমা লিংখৎনবা হোৎনবদা মতেং পাঙননবা ঈথৎ লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা আপিল তৌখ্রে।



মাপনশুবা পার্লিয়ামেন্টকী অহুমশুবা সেসন হৌদোক্লবা মতুংদা গভর্ণমেন্টগী পোলিসি ষ্টেটমেন্ট পীরদুনা ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা হায়খি, মহাক্না হিরম অসিগী মতাংদা পোলিটিকেল পার্টিশিংগা খন্ন নৈনবা হৌরে।

শ্রী লঙ্কানা ইকনোমি মোর্দনাইজ তৌবা মথৌ তাবগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা ইকনোমিক মেন্টেইন তৌনবনি হায়না মপানগী লোনশিংদা মখা তানা দিপেন্ট তৌরোইদবনি। হৌজিক লৈবাক অসিনা মায়োক্লরিবা শেল থুমগী ক্রাইসিস অসি ইকনোমিগী মতাংদা মথৌ তাবা এদজসমেন্টশিং তৌদবদগীনি। শ্রী লঙ্কানা তুংগী ওইবা থৌরাং য়াৎপা মথৌ তাই অমসুং মথংগী চহী ২৫ গী ওইবা নেসনেল ইকনোমি প্রোগ্রাম অমা পুথোক্লগনি।

ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা মখা তানা হায়খি, মদুদি চহী অসিগী অরোইবা শরুক ফাওবা ফ্যুএল মরাং কায়না ফঙদবগী প্রোব্লেম লৈখিগদবা ওইরবসু ফ্যুএল সপ্লাইগী কান্নবা মীপুম খুদিংমক্না থোং মান্নগা ফংজবা ঙম্নবা গভর্ণমেন্টনা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎলি। প্রোব্লেমশিং হন্থরক্লি। গ্যাস, চিঞ্জাক অমসুং হিদাক লাংথকশিং অপনবা লৈতনা সপ্লাই তৌননবগী খোঙথাং কয়াসু গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা হায়, শ্রী লঙ্কানা ওগষ্ট থা লোইবা ফাওবগী মনুংদা ইন্টরনেসনেল মনিটরি ফন্দ (আইএমএফ) কা ষ্টাফ-লেভেল এগ্রিমেন্ট অমা পুরক্লবা হোনগনি। অথুবা মতমদা দ্রাফট এগ্রিমেন্ট অদু আইএমএফতা পীশিল্লগনি।

# জপাননা মঙ্কিপোক্স থিংননবা স্মোল পোক্স ভেক্সিন এপ্রুভ তৌখ্রে




টোকিও, ওগষ্ট ৩ (এজেন্সী):

মঙ্কিপোক্সকী মায়োক্তা ইফেক্তিব ওইনা শীজিন্নবা য়াই হায়না থাজরিবা স্মোল পোক্সকী ভেক্সিন অমা শীজিন্নবগী ৱাফম জপানগী হেল্‌ঠ মিনিষ্ট্রি অমনা এপ্রুভ তৌখ্রে।

হেল্‌ঠ ওফিসলশিংনা হায়, মিনিষ্ট্রি অসিনা এপ্রুভ তৌরিবা স্মোল পোক্স ভেক্সিন অদু মঙ্কিপোক্সকী মায়োক্তা চাদা ৮৫ ইফেক্তিব ওই হায়না খন্নে। খোঙথাং অসি হৌখিবা জুলাইগী অথেংবা শরুক্তা চহী ৩০ গী মথক ওইবা মীওই অনীদা লায়না অসি কনফার্ম তৌখিবা মতুংদা লাকপনি।

মীওই অনী অদু মপানদা চৎলুবশিংনি অমসুং গভর্ণমেন্টনা লায়না অসিবু শন্দোরকপা থিংনন-বগীদমক প্রি এম্পটিব থৌরাংশিং লাউথোকখিবনি। লায়না অসিগী লায়েংগী মতাংদা হেল্‌ঠ মিনিষ্ট্রিনা স্মোল পোক্স লায়েংবদসু শীজিন্নবা ওরেল মেদিকেসন অমা ওইরিবা টেকোভিরিমাট কৌবা মেদিকেসন অমা শীজিন্নবা য়াগদ্রা হায়না য়েংশিল্লি।

হকথেংননা ফিজিকেল কন্টেক্ট তৌবদগী শন্দোক্লিবা ট্রোপিকেল লায়না অসিগী লাইওংশিং স্মোল পোক্সকী লাইওংশিংগা মান্নে অমসুং লাইওংশিং অদুদা লাইহৌ উনশাদা খামহৎপা অমদি মরুম মরুম শৌগৎলকপা অমদি লিম্প নোদশিং চাওথোরকপা য়াওরি।

লাইওংশিং অসি ইনফেক্সন লৈরবা মতুং নুমিৎ মঙানিদগী ২১ নি ফাওবগী মনুংদা উৎথোরকপা য়াই হায়না টোকিওদা হেল্‌ঠ ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

হেল্‌ঠ মিনিষ্ট্রিনা মখা তানা হায়, লোকেল হেল্‌ঠ ওথোরিটিশিংনা মঙ্কিপোক্স লায়না খঙদোক্লবা টেষ্ট তৌবা য়ানবগী সিষ্টেম অমা পুথোক্লবা হোৎনরি। লোয়ননা মিনিষ্ট্রি অসিনা লোকেল হেল্‌ঠ ওথোরিটিশিংদা লায়না অসিগী মখা তাবা দোমেষ্টিক কেসশিং থুনা রিপোর্ট তৌননবসু আপিল তৌরি।

মেদিকেল ষ্টাফ, লেবোরিটরি পর্সনেল অমসুং হেল্‌ঠ সেন্টর, ৱার্করশিং ভেক্সিন কাপকদ্রা নত্ত্রগা কাপলোইদ্রা হায়বগী ৱাফম অসি ওফিসলশিংনা খন্নরগনি হায়নসু মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখি।

দব্লিয়ু ঐচ ওনা মঙ্কিপোক্সপু গ্লোবেল হেল্‌ঠ ইমর্জেন্সি অমনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

# ন্যুক্লিয়র খুৎলায় কন্ট্রোল তৌবগী ট্রিটিগী মতাংদা য়ুএসনা ৱারী শান্নসি হায়না হৌদোরকপা লৈতে: লাভরোব

মোস্কো, ওগষ্ট ৩ (এজেন্সী):

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় কন্ট্রোলগী মতাংদা ইনৌ নৌনা ৱারী শান্নসি হায়না হৌদোরকপা লৈতে হায়না রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সর্গি লাভরোবনা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়ন ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি টাজকী মতুং ইন্না লাভরোবনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ম্যান্মারগী খোঙচৎ মনুংদা ফোঙদোকখিবদা য়ুএসনা অসিগুম্বা ৱারী মখা চত্থনবা প্রপোজ তৌরকপা ফাওবা লৈতে। ন্যুক্লিয়র খুৎলায় কন্ট্রোল তৌনবা ৱারী শান্নবদা খন্নদবা য়াদবা মরু ওইবা ইস্যু অমদি য়ুএস অমসুং রসিয়াগী মরক্তা লৈরিবা মরু ওইবা খুৎলায় কন্ট্রোল এগ্রিমেন্ট ওইরিবা অনৌবা ষ্টার্ট দিসামামেন্ট ট্রিটিগী মহুৎ শিনগদবা অমা পুথোকপগী ৱাফম অসিনি। ট্রিটি অসিনা লৈবাক অনীমক্কী ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিংগী পনখৈ থমদুনা দেলিভরি সিষ্টেম ৮০০ অমসুং ওপরেস্নেল ৱারহেদ ১৫৫০ দগী হেলহন্দ্রিবনি। কুমজা ২০২১ গী ফেব্রুৱারীদা য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অমসুং রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা অনৌবা ষ্টার্ট এক্সটেন্সনগী ৱাফম য়ান্নখি। চয়োল অসিগী অঙনবদা থা অমা চুপ্না চত্থগদবা ট্রিটি ওন ড নন-প্রোলিফরেসন ওফ ন্যুক্লিয়র ৱেপন্স রিভিয়ু তৌনবগী য়ুএনগী কনফরেন্স হৌখ্রবনি।

# কাঠমান্দুদা মুম্বাই য়ৌগদবা ফ্লাইটতগী টেররিষ্ট অনী ফাখ্রে

কাঠমান্দু, ওগষ্ট ৩ (এজেন্সী):

য়ুমশকৈশ নুমিত্তা কাঠমান্দুগী ট্রিবুভান ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা মুম্বাইদা পায়গদবা ফ্লাইট অমদগী টেররিষ্টশিংনি হায়না চিংনবা মীওই অনী ফাখ্রে।

নেপাল এয়রলাইন্সকী ফ্লাইট অদু লোকেল মতমদা নুংথিল পুং ১.১০ তাবা মতমদা পায়গদবনি। নেপাল পুলিসনা ফ্লাইট অদুদা টেররিষ্টশিংনি হায়না চিংনবা মীওই অনী য়াওরে হায়বা থাজবা য়াবা পাউ অমা ফঙবদগী পেসেঞ্জর পুন্নমক কুমথহনখি। নেপাল এয়রলাইন্সকী স্পোক্সপার্সন আর্চনা খতকাগী সিবিআইনা মতৈ মনাও ওইরমগনি হায়না থাজবা মীওই অনী অদু ফাখিবনি।


GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF FISHERIES: MANIPUR
Lamphelpat, Imphal

/ NOTIFICATION

Imphal, the 3rd August, 2022

**No.FyD/Extn./226/2015/396 :** It is hereby informed to all concerned that applications in prescribed format are invited from intending and eligible candidates for nomination of candidates for admission to 4-years Degree Course of Bachelor of Fisheries Science at College of Fisheries, Lembucherra, Tripura under Central Agricultural University, Imphal, Manipur for the academic session 2022-23 which will commence from 20th September, 2022. The selection/ nomination of candidates will be made only through Competitive Entrance Test to be conducted by the Directorate of Fisheries, Manipur. A total of 9(nine) candidates will be selected out of which 7(seven) seats are to be reserved for candidates belonging to UR/ST/SC/PwD categories as per reservation policy of the State Government and 2(two) seats are to be reserved for candidates belonging to OBC category as per the guidelines of CAU-Imphal.

2. The nominated candidates must have the following requirements:
(i) Passed Higher Secondary (10+2) with minimum 50% marks in aggregate of PCB/PCMB/ Inter – Agriculture for General & OBC Categories and 40% marks for SC/ ST/ Third Gender/PwD/ In-service categories.
(ii) The candidates must have attained 16 years of age on 31st August, 2022.
(iii) The OBC candidate should not belong to creamy layer as specified by the Government of India and a certificate to that effect from the competent authority should be enclosed at the time of submission of application form.
(iv) A candidate must be a domicile of Manipur.

3. Application forms can be obtained from the Directorate of Fisheries, Lamphelpat, Imphal during office hours from 4th August, 2022 on payment of Rs. 500/- (Rupees Five hundred) only in respect of Gen/OBC/WS and Rs. 400/- (Rupees Four hundred) only in respect of SC/ST/PwD. The last date of issue and submission of application form is 26th August, 2022. Admit cards will be issued to the eligible candidates from 29th – 31st August, 2022. Further, the date, place and time of conducting the Competitive Entrance Test will be intimated at the time of issuance of Admit Cards.

4. The nominated candidates will receive a monthly stipend @ Rs. 1000/- and an annual book grant @ Rs. 2500/- from the Department of Fisheries, Government of Manipur.

**Sd/- H. Balkrisna Singh**
**Director of Fisheries, Manipur**

HL-P/7783/4



राष्ट्रीय प्रौद्योगिकी संस्थान मणिपुर
NATIONAL INSTITUTE OF TECHNOLOGY MANIPUR
Imphal, Manipur, Ph.(0385) 2058566 / 2445812
E-mail : director@nitmanipur.ac.in , Website : www.nitmanipur.ac.in
An Autonomous Institute under Ministry of Education, Govt. of India.

No.NITM.1/(2a-Estt)/MP/REG/2019/991 02/08/2022

**EMPLOYMENT NOTICE FOR REGULAR FACULTY POSITIONS**

National Institute of Technology Manipur invites applications from Indian Nationals possessing excellent academic background for recruitment of the following Faculty positions. Detailed Advertisement alongwith eligibility criteria, experience and other terms & conditions and prescribed application form can be downloaded from the Institute website: **www.nitmanipur.ac.in.** The last date of submission of application form is 2nd September, 2022.

**VACANCY POSITIONS (including Reservation):**

| Sl. No. | Name of Post | Pay Level (7th CPC) | Total No. of vacant Post | Reservation UR | OBC | SC | ST | Name of Department |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Professor | 14A | 6 | 3 | 2 | 1 | 0 | CE-1, CSE-1, EE-2, ECE-1, ME-1 |
| 2 | Associate Professor | 13A2 | 7 | 4 | 0 | 2 | 1 | CE-1, CSE-1, EE-1, ECE-1, ME-1, Chem-1, Maths-1 |
| 3 | Assistant Professor (AGP-8000) | 12 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | |
| 4 | Assistant Professor (AGP-7000) | 11 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | |
| 5 | Assistant Professor (AGP-6000) | 10 | 2 | 2 | 0 | 0 | 0 | CSE-1, EE-1 |
| | | TOTAL | 15 | 9 | 2 | 3 | 1 | |

* Serving faculty members of NIT Manipur may also apply for higher Academic Grade Pay or cadre even if regular vacancy does not exist in the respective departments.

Sd/-
Director, NIT Manipur

HL-B/7782/4



IN THE COURT OF
SUB-DEPUTY COLLECTOR : NAMBOL

**Ref :- Mutation Case No. 620/SDC/NBL of 2022**

1. R.K. Jiten Singh, S/o R.K. Birendra Singh of Thiyam Makha Leikai
2. R.K. Jhaljit Singh, S/o -do- of -do-
3. R.K. Khogen Singh, S/o R.K. Modhukumar Singh of -do-
4. Naorem Shantilata Devi, W/o R.K. Jiten Singh of -do-
5. Rajkumari Sobita Devi, D/o (L) R.K. Modhukumar Singh of -do-
6. R.K. Bhanisana Devi, C/o R.K. Birendro Singh of -do-
7. R.K. Kheda Singh, S/o R.K. Birendro Singh of -do-
8. Aadarsh R.K., S/o R.K. Jiten Singh of -do- -Petitioners

-Vrs-

(Late) Sanajaoba R.K. of Thiyam - O.P.

/ NOTICE

Dtd. 03/08/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 15-Thiyam Patta No. 102 (O) 261 (N) Dag No. 302 area 1.632 acre Class Ingkhol, (2) Patta No. ..... Dag No. 309 area 0.14 acre Class Ingkhol হায়রিবা ইঙ্খোল অসিগী pattadar মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কক্লগা দংকারি মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Nambol

HL-P/3367/4



IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG

**Ref. Mutation Case No. 164/SDC/(WKG) of 2022 Dt 01/08/22**

App :- Shamjetshabam Kumar Singh, S/o Sh. Shamungou Singh of Thongjao Maning Leikai

-Vs-

Opp :- (Late) Nameirakpam Amuyaima Meitei, S/o (Late) Bira Meitei of Nongpok Keithelmanbi

/ NOTICE

Dated, 01/08/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৭৪-থোংজাও পাট্টা নং ৬৯৬ দাগ নং. ১৭ এরিয়া ০.৯৪ একর চাওবা তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Waikhong

HL-P/3366/4



***ADMISSIONS OPEN***
FOR THE ACADEMIC YEAR 2022-23
HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW !
STUDY IN ONE OF THE BEST DENTAL, ENGINEERING, NURSING AND PHARMACY COLLEGES OF BANGALORE

*** COURSES OFFERED: ***

(1). BDS Fees Structure : 16 Lakhs Package.
(2). B. E (Computer Science / Artificial Intelligence and Machine Learning) Fees Structure :
1st Year Rs: 1.35 lakh, 2nd Year to 4th year Rs: 90K per Year.
(3). B. E (Civil / Electronics and Communication / Mechanical) Fees Structure :
1st Year Rs: 1.15 lakh, 2nd Year to 4th Year Rs: 75K per Year.
(4). B. Pharmacy Fees Structure : 1st Sem Rs: 1.25 lakh, 2nd Sem to 8th Sem Rs: 50K per Semester.
(5). MSc Nursing Fees Structure : 1st Year Rs: 1 lakh, 2nd Year Rs: 1 lakh.
(6) GNM Fees Structure : 1st Year Rs: 1.9L ,2nd year Rs : 1.1L, 3rd year Rs: 90k(including hostel).

CONTACT US: 8310788408, 9362331862.
REGIONAL ADMISSION OFFICE at Sagolband Moino Leirak, Imphal.

HL-P/3364/4,6,8,10,12,14,17,19,21,23,25,27,29,31, Sept



DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD

MBBS in BANGLADESH
DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR, SYLHET, & RAJSHAHI

MBBS in INDIA, KYRGYZSTAN, RUSSIA, KAZAKH & PHILIPPINES
We Provide Special Coaching For ANATOMY, BIOCHEMISTRY, PHYSIOLOGY

1st PAYMENT 5 LAKH TOTAL PACKAGE 20L
REMAINING INSTALLMENT WITHIN 4 YEAR
HURRY!!! LIMITED SEATS ONLY

B.Sc./M.Sc.
Agriculture, Forestry, Horticulture, Fishery, Medical Microbiology, B.Pharm.,B.E./B.Tech (all stream) CBZ, BPT, B.Sc. Nursing, GNM,
→ at DEHRADUN, CHANDIGARH BENGALURU & GUWAHATI

BDS in INDIA (no donation) Top Colleges Recognised by DCI

BAMS (AYURVEDIC) BHMS (HOMEOPATHIC) (FULL PACKAGE STARTS FROM 6 LACS)

Regional Office :- Office Regd. No. 548/SR(IE)
LUWANG EDUCATIONAL TRUST
Palace Compound Near Govindajee Temple, Imphal East
7005683347 9856167106

THOUBAL BRANCH ADDRESS :
Thoubal Wangmataba Sorok Makha Near Manisang Primary School 9089049622

HL-B/7695/19/6-16/8 Alt



GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE FOR WELFARE OF OBC & SC
PT Floor, South Block, Secured Office Complex, At Line, Imphal, Manipur

/ NOTIFICATION

Imphal, the 29th July, 2022

No. A/4/2022-TP-CL-SCH/OBC&SC-2022: It is hereby notified for information of all OBC, EBC & DNT students of Top Class Schools of the state that the Ministry of Social Justice and Empowerment, Government of India has formulated a scheme known as **PM Young Achievers Scholarship Award Scheme for Vibrant India (YASASVI)** for award of scholarships to eligible candidates belonging to Other Backward Class (OBC), Economically Backward Class (EBC) and De-Notified, Nomadic & Semi Nomadic Tribes (DNT/S-NT) categories of Top Class Schools identified by the Ministry of Social Justice & Empowerment, Government of India. List of Identified Top Class Schools can also be obtained from the official website of this Directorate at www.manipurobcsc.gov.in and at NTA website https://yet.nta.ac.in.

2 Under this scheme, Government will be providing Scholarship of Rs. 75,000/- per annum of class IX and Rs. 1,25,000/- per annum of class XI to the selected students.

3. Selection will process will be by merit in the YASASVI Entrance Test to be conducted by National Testing Agency on 11.09.2022.

4. Details of scheme guidelines are available on the website of the Ministry i.e., https://socialjustice.gov.in and https://yet.nta.ac.in.

5. National Testing Agency (NTA) has been entrusted with the responsibility of conducting the **YASASVI ENTRANCE TEST 2022**. NTA will be conducting the YASASVI ENTRANCE TEST-2022 as per details given below:

| | |
|---|---|
| Purpose | Exam for selection of candidates belonging to OBC, EBC and DNT categories, studying in Class IX and Class XI for award of scholarship for studying in Schools identified by the MSJ&E. |
| Mode of conducting the Exam | Computer Based Test (CDT) |
| Pattern of the Exam | Objective Type comprising 100 Multiple Choice Questions (MCQs) |
| Duration | 3 hours |
| Medium | English and Hindi |
| Date of exam | 11.09.2022 (Sunday) |
| Exam cities | Exam will be held in 78 cities across India |
| Exam fee | Candidates are not required to pay any exam fee. |
| How to apply | Candidates are required to apply online at https://yet.nta.ac.in |
| Submission of online application forms for the test | From 27.07.2022 to 26.08.2022 (Up to 11.50 PM) |

6. And candidates are advised to be in touch with the NTA website for updates regarding the exam. For any clarifications, candidates can call NTA Help Desk at 011 4075 9000 or 011 6922.

**Sd/- Ng. Bhogendra Meitei**
**Director (OBC & SC) , Manipur**

HL-B/7774/2,3,4